



নহাশিংগী অখন্নবা ফাখল : – নহা ফাল

টেলেন্ট লৈবা লমদম অসিগী নহাশিং য়োকখৎপিবা চঙই

শেম্বিবা তাইবঙমপুগী পীথোরকপা খুদোলশিংসু অঙকপনি। কনা অমনা লাখ কয়া তল্লগসু মপুং ফানা হৈবা ঙমদবা মীওই কয়া অমা লৈরি অদুবু মহাক্কীসু শোয়দনা অতোপ্পা লম্ অমদা অদুমক করিগুম্বা খরদি পীথোরকপা লৈরমগনি। অচান-মীরাই নাইদবা, লায়রা-ইনাকখুনবা অমদি কাংলুপ-ফুরুপ নাইদবা মপুনি। অদুবু তাইবঙমপুনা পীথোরকপা মগুন কয়া অমা লৈরগসু হোৎনবা য়াওদ্রবদি মদুগী চনফমসু লৈতে হায়বসি চুপ্লবা ৰাফম অমনি। কনাগুম্বা খরদি তাকপী-তম্বিবা য়াওদ্রবসু মহাক্না পামজরিবা লম্বী অদুদা থিজিন-হুমজিন তৌজদুনা শক্লাইবা মীশক অমা ওইরকপসু য়াওখিবা কয়া অমনি। মশাগী চহী ২৬ খক্তা ঙাইরিবা য়াম্না নহা ওইরিবা তুংগী মঙলান কয়া লৈরিবা কোন্সম রোমেসসু মীওইশিং অদুগী মরক্তা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। রোমেসনা শাবা ৰাগী দেকোরেটিভ ওইবা পোৎলমশিং লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা য়াম্না পান্নরকপা হায়বদু ওইরি। ইরমদমগী পোৎথোক অমসু ওইরিবা ৰানা শাবা কংলা গেট, তাজমহল, মৈতৈ য়ুমজাও, ষনগাড়ি অমদি ট্রাইপোদনচিংবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং শিংথানিংঙাইনি। লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা লম্শিংদা টেলেন্ট লৈরবা হৌরক্লিবা নহাশিংবু পুন্নমক্লা পুক্নিং থৌগৎপীফম থোকই। মদুনা লমদম অসি মরোমদোম লেপচবা অমদি মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইরকপদা অচৌবা মতেং হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

কোন্সম রোমেস অৰাং জিরি মনিং লৈকায়, নম্বোলদা লৈবা কোন্সম পিশক অমদি কোন্সম ওংবি বসন্তি অনীগী মচানুপানি। রোমেস অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাই য়েকপা অমদি পোৎশক অমা হেক্তা শাবা-খোৎপগী থবক অদুমক পামদুনা লাকখিবা নহা অমনি। হৌজিক মশামক্লা শাজবা ৰাগী ওইবা দেকোরেটিভ ওইবা মীঙোন্দা খুদোল পোৎ ওইনা পীবা য়াবা ফজরবা পোৎলমশিং লমদম অসিগী মীওইশিংনা য়াম্না পান্নরক্লি। শুপ্পগী লমদম অসিদা নত্তনা মহাক্না শাজরিবা পোৎলমশিং অতোপ্পা মপান লমগী মীওইশিংনসু দিমান্দ তৌবা হৌরক্লে। অদুবু শেল মতিক চানা লৈতবা মরম্না হৌজিক মহাক্না শাজরিবা ৰাগী পোৎলমশিং অসি পাকশন্না মীপুম খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা অৰাবা অমদি ওইরি। করিগুম্বা মরি লৈনবশিংনা অমদি লৈঙাক্লা খজিক মতেং পাংবিরবদি টেলেন্ট লৈরবা রোমেসনা তোঙান-তোঙনবা ৰাগী ওইবা আইটেম কয়াসু শাদুনা থবক ফংদ্রবা নহাশিংদসু থবক পীবগা লোয়ননা লমদম অসিগী তোপ-তোপ্পা মশক মালেমদা শক তাকপা পান্নগী অপান্বসু লৈহৌরি। লোয়ননা মহাক্না শাজরিবা ৰাগী দেকোরেটিভ ওইবা পোৎলমশিং মফম চানা থমদুনা মীয়ামদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা য়ৌহনবা ঙম্নবগীদমক শো রুম অমসু হাংবদি পাম্মি। অদুবু লৈঙাক্লা খজিক মতেং পাংবিরগদি মহাক্না মঙজরিবা মঙলান অসি শোয়দনা থুংবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরকখি। মহাক্লা ঙমজবা থাক্তা মশা মতোমতনা শাজবা ৰাগী পোৎলম কয়া শাদুনা এগজিভিসন কয়াদসু শরুক মখা তানা য়াবা ঙম্নবা হোৎনরি। হৌজিক-হৌজিক মহাক্না মরুওইনা ৰানা শারিবা দেকোরেটিভ আইটেমশিং অদুদি কংলা গেট, ষনগাড়ি, কোলোম, মৈতৈ য়ুমজাও, হী, তাজমহল, লোক্তাক লেক, ট্রাইপোদ অমদি ৰাগী ইলেক্ট্রিক লালটেনচিংবনি। মহাক্না শুপ্পগী ৰা খক্তগী ওইবা পোৎলমশিং শানবগী ৰাখল্লোল লাকখিবা অসি অহানবা মহাক্কী ময়ুমদা য়াম্না লায়না ফংবা অতোপ্পা মফমশিংদগী শেল তিংনা লৈরুদ্রগসু য়াবা পোৎশক থীরকপদা ৰাগী পোৎলম ওইনা শাগে হায়না খনবা হৌরকখি। অদুবু মতম খরা লৈরগা তপ্পা-তপ্পা মহাক্না খল্লম্লিবা ৰাখল্লোল মখা তানা অদুমক শাবা পান্নকখি। মরমদি ৰা হায়বা পোৎশক অসি ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা খক নত্তনা মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীবসু ওইদে। মরম অদুনা মখা তারকপদসু ৰানা শাবা সাইকল, ছাতিন, শমজেৎ অমদি অতোপ্পা মতম-মতমগী ওইবা মীয়াম্না পান্নগদবা পোৎলমশিং শাগে খল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

রোমেসনা হৌজিক শারিবা ৰাগী পোৎলমশিং অসি অয়াম্বনা য়ু ট্যুব অমদি ইন্টরনেটতা য়েংদুনা থিজিন-হুমজিন্দুনা শাবা হৌরকখি। অদুবু অহানবা ওইনা কংলা গেট অসি মহাক্কী মমানবী অমগী মচেদো পীনবগীদমক শাবা হৌরকখি। মদুবু ফেসবুক্তা থাগৎপদগী মীয়াম্না ফজে অমদি পাম্মী হায়নরকপনা থৌনা অমা ফংবদগী মখা তানা শাবা হৌরক্লুনা হৌজিক তোঙান-তোঙানবা দুকান খরদসু থারি। মদুদগী ফংলকপা শেলনা মখা তানা তোঙান-তোঙানবা আইটম কয়া অমুক শানবা হোৎনৈ। কুমজা ২০১৯ দা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টকী পাঙথোকখিবা এগজিভিসনগী থৌরম অমদা মহাক্না শাবা কংলা গেটকীদমক লুপা ৫০,০০০ রিৱার্দ ওইনা ফংখি। লম্বী অমা হেক্তা ওইবা য়াই মীওই অদুনা পামজরিবা লম্বী অদুদা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। থৱায় য়াওনা পুকচেল শেংনবু হোৎনরবদি নোংম নত্রগা নোংমদি শোয়দনা মায়পাকপা ঙমগনি হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। লোয়ননা টেলেন্ট লৈবা লমদম অসিগী নহাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংদা মতেং পাংবিদুনা য়োকখৎপিবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোকরখি।

- কোন্সম রোমেস, আর্টিষ্ট

হিয়াঙ্গী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা

কুমজা-কুমজা খুদিংগী লাক্লে
হিয়াঙ্গীগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা,
নিংঙোল ওইবী কয়া মবুং-মৌপ্পা কয়াগী
য়াইফ-মঙ্গোল পিনবা থা হিয়াঙ্গে
লৈত-লায়র থিদনা মচে-মচল কয়াবু
চরা লুক্লেন তম;
পুন্সিগী অৰা-নুংঙাই ৰারী শা
কয়াদা ফজথ্রবা মবুং-মৌপ্পা, মচে-মচল
অৰা-নুংঙাই পাউমেন্নবা নুমীৎ
হিয়াঙ্গীগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা।।
লায়র খাঙপোকশঙসিদা ঙাইজরমগে
মবুং-মৌপ্পা ওইবা কয়ানা,
য়ুম্নাক শাগৈ ওনথ্রবসু
অনকপদা অরাপ্পদা লৈরিবা নিংঙোল ওইবি কয়ানা
ঙমজবা অথেনপোৎ পুদুনা
নয়ুম শঙ্গাই তম্না
লৈজবা শেৎ চাদুনা লাকপীয়ুকো
আর্শিবাদকা লোয়ননা
য়াম্না-য়ামদবা থিদনা
কৎচগে ঙমজবা দাখিনা,
মতমগী নোংলৈ অকন্নবা
দখিনাগী হিদান্নবা লমজেলদা
লাইন্র-ইনাকখুনবা খায়রিবা
মশেং-মরাং উরগদবা
কান্নদ্রবা মপালথোংগী শক্তমবু
মচু শংহনগনু শেংলবা
হিয়াঙ্গীগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা।
কুম্মগী নোংনা চামথোকখ্রো
নাপল কারবা দখিনাগী লমজেল
য়েন্নিং হুনবীরম্মু মবুং-মৌপ্পা
নুংশিরবা মচে-মচলগী
নিংঙোল চাক্কৌবা হিয়াঙ্গীগী নীনি পানবা।।

- পুয়াম অচৌ খুমনচা

নিংঙোল চাক্কৌবা

কুমজা খুদিং...
লাক্লি হিয়াঙ্গীগী নীনি পানবা
সনা লৈবাক, মৈত্রবাক্কী
লাইবক ফবি নিংঙোলশিংগী
তন্নি নিংঙোল চনু কয়াগী
মবুং-মৌপ্পা ওইবা কয়ানা
ঙমজবা খুদোল, য়াইফ-থৌজালগা লোয়ননা
মালেমগী নুজাশিংগী মিৎমাংদা
কয়াদা চাওথোকচবা লমদমসিগী
নিংঙোল ওইবা ফংজবা ঐখোয়না
সনা-তম্ফাগুম্বিনি লমদমসিগী নিংঙোল...
ইতারোই ! ... হিয়াঙ্গীগী নীনি পানবনা লাকপদা
নিজহৌসি ইবুং-ইপ্পা কয়াগী মফমদগী
মালেমগী নুজালক্তে থোইনা মগুন লৈজবা,
ইমালৈবাকপু নিংজবা, ইথৌ-থৌদাং পাংজবা
শিন্থা পাংনা লেপচবা
সনা তম্ফা চনু ওইববুদি ফংজগে
হায়নবুদি নিজহৌশি নীনি পানবা,
হিয়াঙ্গীগী চাক্কৌবনা লাকপদা
হায়জরোইশি কান্নদ্রবা ময়াগী খুদোল
লোইখিদৌবা মতমনা লোইবদা...
নিজহৌশি অখন্নবা নুমীৎ অসিদা...
ইমানা চাওথোকচনবা
মশুং-মমান্নবিশিংগী মমাংদা
ওইহনসি লমদমসিগী চনুদি
মালেমসিদা তোমথিন ঙানবি তম্ফায়াই,
ইথৌ-থৌদাং শিনপাংদুনা
মশকনাইবি 'চনু'
ওইহল্লমসি ইমাদি মালেমসিদা
মশকনাইবি চনুশিংগী পলেমনি।

- বিদ্যালক্ষমি চিংশুবম

অপান্বা অনিংবা লম্বী অদুদা থেংথবা তৌদনা চৎপনা মীয়ামগী থৌগল থেংথদনা তৌবা ঙমগনি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

হিজম মারিয়া, মিমিক্রি আর্টিষ্ট

নোকপা-কপ্পা পুন্সিগী শরুক অমনি হায়রবসু নোকপবু পামদবা কনা লৈগনি। কপ্পা পান্নদ্রগসু হরাউ-নুংঙাইবগী, পেঞ্জবগী অমদি চাওথোকচবগী তাখিবা মীৎকী পিরাংনা থম্মোয়নুংদা পীরিবা হরাউবা-নুংঙাইবা অমদি খুন্নাইদা পীরিবা পাউজেল অদুগী মতিক-ময়াই অদুবু নীংশিংনদুনা মখা তাবা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অদুগুম্লবা হিংবগী মহাও অদু পীবা ঙম্বা অদু মহয় য়ানবা পুন্সি অমা কৌবদা লাল্লি হায়বা মীওইসু লৈগনি থাজদে। অৰাবা কয়ানা থল্লবা থম্মোয় অমা ওইরগসু মীওইববু নোকহনবা ঙল্লিবা মগুন অদুসু অতাংবনি। হুৎ-ফেৎগী লাংফৈ চৎপগী খোঙচৎকী ইপোম ৰারী ঙসিসু অদুমক লমদম অসিগী আর্টকী লম্দা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি। লমদম অসিদসু শিংথানিংঙাই ওইবা নোকফদে আর্টিষ্ট কয়া অমা হৌখ্রে, কয়া অমা লৈরি অমদি কয়া অমা হৌরক্লি। হৌরক্লিবা মিমিক্রি আর্টিষ্টশিংবু পুক্নিং থৌগৎপীবা হায়বসি মান্নবা-নুংঙাইবা খুন্নাই অমগী তৌফম অমদি লৌফম থোকপা থৌদাংনি। লমদম অসিগী মিমিক্রিগী লম্দা খোঙদারক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা নৌনা শাফোংলক্লিবা আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা হিজম মারিয়াসু অমনি।

হিজম মারিয়া থৌবাল অৰাং লৈকায়দা লৈবা হিজম শামুঙৌ অমদি হিজম ওংবী ইবেমচাগী ইহান হান্না ফংজখিবা মচানুপী অহলনি। মারিয়া হৌজিক-হৌজিক মিমিক্রি আর্টিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌবগা লোয়ননা হিংনবগী লানফমদা থৌবাল বাজারগী দুকান অমদা ফি য়োন্দুনা অপান্বা লম্বী অসিদা চৎনবসু হোৎনরি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা স্কুলগী তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিংদা শৈরেং থীবা, মিমিক্রি তৌবা য়াওরকখি। অদুবু লমদম অসিগী নোকফদেগী ফাওরবা আর্টিষ্টশিংগা লোয়নদুনা থবক তৌবগী তাঞ্জাদি হেক ফংবা হায়বদুদি ওইখিদে। অদুমকপু নোকফদেগী ফেসবুক্তা পাঙথোকখিবা সীরিজ অমদা নোকফদে লম্দা শক্লাইরবা অইবা অমদি প্রদ্যুসরসু ওইরিবা ওজা রুহিনিকুমারগা থেংনবদগী নোকফদেগী লম্দা খোঙদাবা হৌরক্লি। মিমিক্রি তৌবা পান্না হৌরক্লবসু নোকফদেগী লম্ অসিদা চঙদুনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌগে হায়না চপচানা ৰাখল ফাওহল্লকখিবা অসি মনিফাগী প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন অমগী থৌরমদা লমদম অসিগী শক্লাইরবি এক্ট্রেস অবেনাউনা তৌখিবা দাইলোগ অমা তারুবদা থৌরম অদুদা খ্বাইদগী মনিংদা ফল্লিবা মহাক্লা দাইলোগ অদু তানা-তানা মতৌ করম্না অবেনাউনা দাইলোগ তৌরিবা ষ্টেজ অদু ফাওবা য়ৌখিবা খঙহৌদনা চঙশিন্দুনা তাখি। থৌরম অদু লোয়রবা মতুং য়ূমদা হল্লক্লবা মতুংদা দাইলোগ অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরদুনা তোঙান-তোঙানবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা আর্টিষ্টশিংগী খোঞ্জেলদা দাইলোগ তৌবা হৌরকখি হায়না মহাক্লা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

হৌজিক-হৌজিক অবোক পীশক, অবেনাউ, ময়া চৌধুরি, সনাতোন, সুস্মিতা, সোনিয়া মচা, আর্টিনা অমদি তোঙান-তোঙানবা আর্টিষ্টশিংগী খোঞ্জেলদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লবা পাউজেল পীবা ওইনা মিমিক্রি তৌরি। মশাগী শুপ্পগী চহী ২৪ খক্তা ঙাইরিবি মিমিক্রি আর্টিষ্ট অসিনা তুংদা নোকফদেগী সীরিজ কয়াদা য়াওদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌনবা হোৎনরি। মারিয়া বোটনিদা ওনর্স তৌদুনা বি এস সী লোইশিল্লে। ওজা সুরমঙ্গোল অমদি ওজা হেপ্পি রাজেনদা মিমিক্রিগী লম্দা তম্লকখিবসু লৈখ্রে। ঙসি ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং দাইমন্দ রেদিও, লোক্তাক রেদিও অমদি দুদর্শনদা পাঙথোকপা থৌরম কয়াদসু শরুক য়াখিবা লৈখ্রে। মিমিক্রি তৌবগী থবক অসিদা চঙলকপা মতমদা লান্না উবিবা অমদি ঙাঙবিবা কয়াসু য়াওখি। অদুবু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু সপোর্ট তৌবিবনা লম্ অসিদা চঙশিল্লকপা ঙমখিবনি। মণিপুরী ফিল্মদসু মিমিক্রিগী শরুকশিংদা শরুক য়াদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌগে খল্লি। হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা মানা-মানা পাল্লিবা লম্বী অদুদা মতম থেংথদনা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবিয়ু হায়জরি। ইশা-ইশাদা লৈরিবা টেলেন্টশিং অদু মীয়ামদা ইকায়বা থীদনা হোৎনবা ফৈ। মণিপুরী অমা ওইনা খ্বাইদগী চাওথোকচবদি মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরনা মরম ওইদুনা চাওথোকচবা ফাওই। অদুবু শেমদোকহন্নিংবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মরুওইনা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নুপীশিংনা নাৎকী ওইবা ফিজোলশিংবু হেন্না শেৎহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

অব্দুল মনাল, থৌবাল মোইজিং

মৈহৌরোলদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা লমদম অসিদা লৈমিন্নরক্লিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্দুনা লাক্লি। অসিগুম্বা নুংশি চানবগী লিক্লম অসিবু ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অমুক্কা হেন্না থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবিদুনা গো টু হিল্স অমদি গো টু ভিলেজ লোয়ননা চিংগী নিংথৌশিংগী গেষ্ট হাউস অমা শাদুনা অফবা খোঙথাং লৌখৎপিরকপা অসি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। অমরোমদা লমদম অসিদা য়ৈলহৌঙৈদগী খুন্দা-লৈতামিন্নদুনা লাক্লিবা মুস্লিম ফুরুপশিংগীসু তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরম পায়খৎপিরি। অসিগুম্বা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎপীদুনা অমত্তা ওইবগী লংলাদা পুনশিন্দুনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবগীদমক হোৎনবিরক্লিবা অসি মীচম অমা ওইনা পেঞ্জে। লিক্লম অসি কায়দনা চৎনবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টরগা থৌ পুমিন্নরিবা মিনিষ্টরশিংগীসু অচৌবা থৌদাং য়াওরি। মরম অদুনা মণিপুরগী পুৱারিগসু শাগোন্নরিবা মরুওইবা মফম অমসু ওইরিবা লিলোংদগী মরক্কী মীখলদা কারককখিবা ৰাই অন্তাস খানবুসু মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না মিনিষ্টরগী ফম অমা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পীবিদুনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌনবগী তাঞ্জা অদু পীহন্নিংই। মদুনা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা মৈতৈ-পাঙ্গলগী মরক্তসু অমুক্কা হেন্না নুংশি-চানবগী মরী অদু চেৎশিনবা হায়বদু ওইগনি খল্লি। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা মুস্লিম ফুরুপশিংনসু অপেনবা ওইগনি। অন্তাস খান মশামকসু নহা ওইরিবা মীশক অমা ওইবনিনা লৈবাক্কীদমক অফবা থবক থৌরম কয়াসু শোয়দনা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

এম বুধ, চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মণিপুরদসু খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লি। নবেম্বর থখাই য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা মীওই ২১৩গী পুন্সি লোমহনখ্রে। ঐখোয় ৰাকোয় শুদুনা লৈথোকপগী মতম নত্রে। মরম অদুনা ঐখোয়-ঐখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা, মরি মতাশিং অমসুং খঙনা-চান্নবা মীওইশিংগা লোয়ননা লাইচৎ অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বদু মমুৎ তানা খঙমিন্ননবা হোৎনবা অসিনা মরুওইবা তৌফদ্রবা থৌদাং হায়বদু ওইরবনি। মীপুম খুদিংনা য়ুম-য়ুমদা লেঙদনা লৈনদুনা লাইচৎ অসিবু লাম্হেংনবদা ঐখোয়গী ইশা-ইশানা লৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌমিন্নরসি। তঙাইফদনা য়ুমদগী মপান থোকপা তারগনা কোভিদ-১৯গী এস ও পিগী চৎন-কাংলোনশিং ঙাকপা হায়বসি খ্বাইদগী মরুনি হায়বসি কাউফদে। নবেম্বর থা অসি মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী হেন্না ৰাংগনি হায়বা মাঙজৌননা অখণ্ড-অহৈশিংনা হায়খিবা লৈখ্রবনি। লাক্তদৌরিবা থাখাই অসিমদি ঐখোয় পুন্না ইশা-ইশানা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌনরগা লাইচৎ অসিগা লাম্হেংমিন্নরগদি পুন্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু লৌখৎপা য়াবা থৌরাং লৌখৎলিবা অসিগী মথক্তা হেন্না পুক্নিং চিংশিনজনিংবদি লাইচৎ অসিবু খুবামনুংদা থম্নবা হোৎনবা অমদি য়ারিবমখৈ মীশি-মীনাগী চাং হন্থহনবা হায়বা অনীসিদা লৈঙাক্কী অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎহন্নিংই। লৈঙাক অমসুং মীচম ঐখোয়না থোং মান্ননা শরুক য়ারবা মতমদা তমথিরবা লাইচৎ অসিবু মায়থিবা পীবা ঙমগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী ৰাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।১১।২০২০ ইং, থাংজ; নুংথিল পুং ২.১৮ ফাওবা মেরাগী ২৯ নি পানগনি, মতুং থাগুনি।

মেষ : অনৌবা অশা লাক্কনি, মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি য়েৎলম্বা কোক্কনি। লাই-গুরুনা চানবীগনি,অচুম্বনা মায় পাক্কনি। শাগেনদি ৰারৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

বৃষ : মীচং লৈরনি, মীয়ামগা মরী হান্নগুম ফগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা ওইগনি। কিবা পোকপা অমদি পংশিনবা লৈ-মরুপ লোয়নৌ-শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : চরাংবনা অমদি ঙক কনবনা মাঙজবতা থুংগনি। নোল্লুক্লা চৎলু অমদি হোয়া ফগনু মাঙগদবদগী কনগনি। মীরক্তা লৈরগা নুংঙাইজবা ফংগনি, মরুপ্পা চানবী।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : অফবা মীংচৎ ফংগনি, তুংগী পোরম য়াৎপসু হৈগনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈগনি। হকচাং নুংঙাইবদি ৰাৎলি অমদি খুৎচাও থাগনু।
থৌনি পোৎলম : হান্নগুম ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লৈ অঙৌবা।

সিংহ : মরৌ চাওবনা থবক্তা অয়েৎপা পীবগী নুংঙাইতবা লৈগনি অদুবু হন্থবা লোয়নদ্রদি অমাঙবা থোকলোই। শেন্দোং ফংবা, খাংবা কনবনা ঙম্বসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : মীচং হেনগৎপা, ৰানোম - থৌনোম কান্নবা অমদি অচৌবনা চানবীবা লৈগনি। মহু চাওবনসু তাথিবদি লৈ অদুনা মীতোপ থাজবা হৈগনু, চিন কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : হরাওবা, পাঙ্গলবা, লন চাওখৎপা অমদি অকিবা মাঙখিবা নুমিৎনি। অদুবু খন্থরুবদা কোক শাবা অমদি লৈতবা নত্তে। অদুনা নাপল থাদোকপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপা ঙমদ্রসু অমদি হকচাং নুংঙাইবা খরা ৰাৎলসু মায় পাকপদি শোইরোই। অদুনা মরম চারবদি খুৎচাও থাহৌবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবদি থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : শেন্দোং তানবা য়ারগনি অমদি মীচং ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি অমদি মীয়াম্না থোইনা থাগৎপিগনি। হকচাংগীদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

মকর : থবক পাংগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি অরুবা ৰারেপ লৌবসু ঙমগদবা নুমিৎনি। মাংলোমদা নিংহন্নদনা চংশিল্লু-মকোক্তুম থোংউ হায়বা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - হরাওবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : অশাওবা ফাথৌ, চরাংগনু অমদি চিন কনগনু। য়ারগদি অনৌবা থবক অমত্তা পাংগনু। তঙাই ফদ্রদি লৌশিং চাওবা মী/নথক থোংবগী ৰা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী - মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

মিন : খুৎচাও থাগনু অমদি অঙম্বনা চানবীবা ৰাংপা নুমিৎনি-পুক্নিং ফাথৌ। অদুবু ঙাঙথোকপদি পকচবা খরদি লৈগনি অমদি অৰং অৰাক ফংবা য়াবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লৌশিং পুক্কে

সী দি সীগী অনৌবা গাইদলাইন মতুংইন্না ঐখোয় ইশাবু অমদি অতোপ্পবু ঙাকথোক্নবগীদমক খ্বাইদগী ফবা মাস্ক খনবা-২

ফিগী মরোল মরোল য়াওবা মাস্কনা অকৃপ্পা দ্রোপলেটশিং অমদি পার্টিকলশিংগী চাদা ৫০ দগী ৮০ ফাওবা থিংবা/ফাবা ঙমই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। থিংবা/ফাবা ঙমহৌদ্রবশিংদুনা পাইথোকখিবা অদুসু তপথহনবা ঙম্মী হায়বা ৰাফম ফোঙদোক্লদুনা সী দি সীনা হায়, ফিগী মাস্ক অসি ষ্টদি খরদদি সর্জিকেল মাস্কক্কা চপ মান্নবা মহীক-মতাং শন্দোকপা থিংবগী মথৌ তৌবা ঙম্মী।

সী দি সীনা হায়রি মদুদি, মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী কম্মন ওইনা পুথোকপা প্লাষ্টিক মখল অমা ওইরিবা পোলিপ্রোপলিন শীজিন্নবনা মাস্কক্কী ফিল্টর তৌবা ঙম্বগী চাং হেনগৎহনবা য়াই, মরমদি মসিনা ট্রাবোইলেক্ট্রিক চার্জ নৎত্রগা ষ্টেটিক ক্লিং অমা পুথোকই।

হায়রিবা ইলেক্ট্রিকেল ষ্টেটিক অদুনা হোন্দোরকপা অমসুং হোঞ্জিল্লকপা নীংশা অনীমকপু ফায় অমদি অতোপ্পা মীওইশিংদগী পাইশিল্লকপা দ্রোপলেটশিংবুসু ফাজিল্লি। লশিংগী ফি হায়বসিনা উনশাদা শীজিন্নবদা নুংঙাইবা ফেব্রিক ওইবা মরম্না পোলিপ্রোপলিন অসি টু-প্লাই নৎত্রগা থ্রী-প্লাই মাস্কক্কী মরক্তা হাপ্পুনা ফিল্টর অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

শুদোক চামথোকপা তৌবনা ইলেক্ট্রিকেল চার্জ অদু মাঙহল্লি, অদুবু মদুগীদমক করিসু ৰানিংঙাই লৈতে। খূৎনা খজিক্তং তকপা-নানবা তৌবা মতমদা চার্জ অদু অমুক য়াওরক্কনি।

সী দি সীগী মতুংইন্না শীজিন্নবা য়াবা, নীংশা হোনবদসু য়াম্না নুংঙাইবা পোৎলম অমগা হায়রগদি সিল্কনি। মসিনা চোৎ-চোৎ লাউবা দ্রোপলেটশিংবু ঙাকথোকই, অমদি ফি অদু চোৎশিনবগী চাং হন্থহল্লি, অসুম তৌবা অসিনা নীংশা হোনবা অমদি শীজিন্নবদা নুংঙাইবা ফিভম অদু মেন্টেন তৌদুনা থমই।

সেপ্টেম্বর থাদা পল্লিস তৌরকখিবা ষ্টদি অমদা কোট্রন, পোলিষ্টর অমদি সিল্কপু মাস্ক ওইনা নৎত্রগা মাস্ক ইন্সর্ট ওইনা শীজিন্নবদা ঈশিং মনিলশিং ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাংবু এগজামিন তৌদুনা য়েংখি।

ষ্টদি অদুগী রিসার্চরনা হায়, "স্প্রে টেষ্ট তৌবদা সিল্কনা শাবা মায়খুমসু সিঙ্গল-য়ুজ সর্জিকেল মাস্কসু দ্রোপলেটশিং থকতোকই। অতৈ ফেব্রিকশিংদগীদি সিল্কনা নীংশা হোনবদা হেন্না নুংঙাই, ঈশিং মনিলশিংসু ঙাকথোকই অমদি শেংদোক্লগা অমুক হন্না শীজিন্নবসু য়াই"।

মরুওইবা ৰাফম অমনা, রিয়ুজেবল (হন্না হন্না শীজিন্নবা য়াবা) মাস্কশিংদা মহীক-মতাইশিং পকশিন্দুনা লৈতনবা অমদি মাস্ক অদুগী কান্নবগী চাং হন্থহন্দনবগীদমক সাপোন অমদি ঈশিং অশাবা শীজিন্নদুনা নুংতিগী শুদোক চামথোক্কদবনি। অচোৎপা মাস্ক অদু মপুঙ ফানা কংদ্রিফাওবদি শীজিন্নরোইদবনি। অচোৎপা ফি ফাওরগা নীংশা হোনবা ৰাগনি।

ডা. মেরিবেথ সেক্সটোননা হায়, করিগুম্বা ইশানা শীজিন্নরিবা মাস্ক অদুদা ফিল্টর য়াওরবদি মদু চাং নাইনা শুঙশোয় শোয়দনা শেংদোক্কদবনি, মরমদি মদুদা অমোৎপা ময়াম পৈশিন্দুনা লৈবা য়াই।

খ্বাইদগী হেন্না মহীক-মতাইশিংবু ঙাকথোকপা ঙম্বা মাস্ক শীজিন্নরবসু মদু শীজিন্নবগী মওং লাল্লবদি কান্নবা করিসু ফংলোই। মায়দা নীংথিনা মপুঙ ফানা খুমজিনবা মথৌ তাই, হায়বদি মাস্ক অদু নাতোনগী মখাদা তাহল্লোইদবনি।

নাতোন অসি য়াম্না মরু ওই। চীন্দগী থোক্লকপা দ্রোপলেটশিংদগী নাতোনদগী থোক্লকপা দ্রোপলেটশিংনা কৃপ্পা হেল্লি, মসিনা মরম ওইরগা মখোয় অসি নুংশিৎতসু হেন্না কুইনা পাইরগা লৈবা ঙমই। হায়-স্পিদ কেমেরা শীজিন্নদুনা ষ্টদি তৌবদা হাকথী খনবদা য়াওরকপা ঈরিক মকুপ (রেস্পিরেটরি দ্রোপলেট) শিং অসি মিটর ৭ তগী ৮ ফাওবা শন্দোকপা ঙমই হায়বা খঙখি। মসি ফিটতা হায়রগনা ফিট ২৬ তগী হেল্লিবনি।

মাস্ক উপ্পদা নাতোন্না নীংশা হোনবা ৰারগদি, খরা হেন্না ফিট্টিং ফজনা ওইবা মাস্ক অমা শীন্দোক্কদবনি।

ঐখোয়না চৎপা মফম খুদিংমক্তা মাস্ক অদুম্মক উপকদবনি, কার তোংবদফাওবা লৈমিন্নদবা মীওইশিংগা তোংমিন্নরবদি উপকদবনি।

হার্ভার্দ ইনভাইরনমেন্টল হেল্থকী রিসার্চর জোসেফ গার্দেনর এল্লেননা হায়, করিগুম্বা ঐখোয়না টেক্সি তোংবা তারবদি ঐখোয় ইশাসু, টেক্সি দ্রাইভর অদুসু মাস্ক শোয়দনা উকপদবনি। অদুগা থোংনাউ হাংদোক্কদবনি, নোংজু-নুংশা নৎত্রগা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ফৎত্রফাওবদা থোংনাউ খজিক্তং ওইরবসু হাংদোকপনা কান্নবা ফংগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তারি।

মতম চুপ্পদা হেন্দ সেনিটাইজর পুগদবনি

মখল অমা হেক্তগী মাস্ক উপ্পগসু চাবা-থকপা তৌনবগীদমক মাস্ক অদু শুকশোয় শোয়দনা লৌথোক লৌশিন্দি তৌগনি, নৎত্রগা মাস্ক অদু উপ্পিঙৈ মতমদা খূৎনা পায়রগা শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াওরক্কনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা হেন্দ সেনিটাইজরগী মথৌ তারক্কনি হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

ঐখোয়না উপ্পিবা মাস্ক অসি মরু ওইনা ৰা ঙাঙবা মতমদা হেক্তা নাম্থরকপা য়াওই। মরম অদুনা মরক মরক্তা মাস্ক অদু মফম শেমদোক শেমজিনগী মথৌ তারকপা য়াই। মসিখক্তনা অদুম হেন্দ সেনিটাইজর অমা ইশাদা লোয়নবা মথৌ তাবগী মরম ওইরে, অসুম তৌবা অসিনা মাস্ক পায়রুরগা খূৎ শেংদোকপা য়ারগনি হায়না অট্লান্তাদা লৈবা ইমোর্নি য়ুনিভর্সিটি ওফ মেদিসিনগী ইনফেক্সিয়স দিজিজেজকী প্রোফেসর ডা. হেনরি রুনা ফোঙদোক্লি।